# ব্রেক্সিটকী থৌরাং পুথোক্লবা য়ু কেগী কঞ্জার্ভেটিবশিংগী কনফরেন্স হৌখ্রে




লন্দন, ওক্টোবর ০২ :

ব্রটেনগী গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কঞ্জাভেটিব পার্টিগী চহীগী কনফরেন্স নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌরগনি। মরু ওইনা কনফরেন্স অসিদা ব্রেক্সিটকী ভোট অদুগী মতুংদা করম্না অমসুং করম্বা মতমদা লৈবাক অসিবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দগী লৌথোক্কদগে হায়বগা মরী লৈনবা ৱাহং কয়া খন্নগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা লৈঙাক্কী চুপ্পি পায়রদুনা অনৌবা মতম অমা হৌবগা লোয়ননা সেন্টর-রাইট পার্টিদা য়াওরিবা মীওই কয়ানা জুনগী রেফরেন্দমদা বৃটেননা ঈয়ুদগী তোক্কদবা অহানবা লৈবাক ওইরক্লবা ভোট পীখিবা মতুংদা হৌজিকসু হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লি।

তৌইগুম্বসুং ব্রেক্সিটপু করম্বা মওংদা থবক ওইনা পাঙথোক্কদগে অমসুং ব্রুসেলজগা চহী অনীগী মনুংদা ঈয়ু থাদোক্ক বগী নিগোসিয়েসন করম্বা মতমদগী হৌগদগে হায়বদু উখোক্লবা গভর্ণমেন্টদা প্রেসর লাকপা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মতম খরসি তরায় তরায়বদি ওইরোইদৌরি।

য়ুরোপ মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা চিংনবা ফোঙদোক্লরিবা লমদম অসিগী লৈবাকশিং অমদি মীওইশিংগী ৱাখলবু য়ৈথৎপা পাম্বা য়ুরোপিয়ন পৱারশিংনা অকনবা ফীরেপ অমা লৌরদুনা চেকশিন-ৱা পীরি মদুদি, ট্রেদ অমসুং ইম্মিগ্রেসনগী মতাংদা বৃটেন্না অখন্নবা ট্রিটমেন্ট ফংগনি হায়না থাজবা থম্বা য়াররোই।

সিঙ্গল মার্কেট অমগী কান্নবা লৌবা হায়বসি মীয়াম্বু অপনবা থোকহন্দনা মুভমেন্ট য়াহনবনি হায়না য়ুরোপিয়ন পৱারশিংনা হায়রি। তৌইগুম্বসুং মেনা হায়খ্রে মদুদি, ঈয়ুগী অতৈ শরুকশিংদগী চহী খুদিংগী চঙশিল্লক্লিবা মীওই লিশিং চা কয়াবু মহাক্না কন্ত্রোল তৌবা পামই।

ঈয়ুদগী বৃটেনদা মীশিংনা অথিংবা পীদনা চঙশিল্লক্লিবদু লেপহনগদবনি হায়বসি য়ুনিয়ন্দগী তোকপগী ৱাফমদা শৌগৎতুনা ভোট পীখিবা কঞ্জার্ভেটিব ভোটর চাদা ৫৮ গী মনুংদগী মখোয় কয়ানা তৌবা মরু ওইবা দিমান্দ অমনি।

মেগী মশাগী পার্টিদা য়াওরিবা মরু ওইবা ফিগর খরনা হায়খি মদুদি, মখোয়না সিঙ্গল মার্কেট থাদোক্তুনা অমসুং থবক শূনবগী ভিজা রুলশিং চৎনহন্দুনা ঈয়ুগা লৈনবা মরী অপুম্বা তৎনবা পামই।

মখোয়না হায়রি মদুদি, করিগুম্বা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা বৃটিশকী পোৎ-চৈশিং অমসুং সার্ভিসেসতগী টেরিফশিং লৌনবা হোৎনরকপা তারবদি য়ুনিয়নদা হেন্না মাংজবা লাক্কনি, মরমদি বৃটেননা ব্লোক অদুদা তৌরিবা এক্সপোর্টসকী চাংদগী ঈয়ুনা বৃটেনদা এক্সপোর্ট তৌবগী চাংনা হেল্লি।

# হরিকেন মেথীয়ু অৱাংলোমদা হাইটি, জমাইকা অমদি ক্যুবা পাংনা শিংখ্রে

কিংষ্টন, ওক্টোবর ০২ :

চহী ১০ মুকসিদা খ্বাইদগী মতীক ময়াই লৈবা করিবীনগী নোংলৈ-নুংশিৎ ওইরিবা হরিকেন মেথীয়ু ঙসি হাইটি, জমাইকা অমসুং ক্যুবা পাংনা শিংখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নোংপোক থংবা শরুক য়ৌবা য়াই হায়না ফোরকাষ্টরশিংনা ফোঙদোক্লি।

জি এম টি ০৬০০ 'মতীক ময়াই কল্লবা মেথীয়ু' কলম্বীয়া অমসুং ভেনিজুয়েলাগী কোষ্টতগী অৱাং-অৱাংনোংচুপলোমদা পুংদা মাইল তরুক্কী খোঙজেলগা লোয়ননা তপ্না শিংখি হায়না মাইয়ামি বেজ তৌবা নেসনেল হরিকেন সেন্টরনা হায়খি।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবা ফাওবা ১ দগী ৫ ফাওবগী মাফির-সিম্পসন স্কেলগী মকোক্তগী শাথিরবা কেটগোরি ৫ দা অতেনবা মতম খরা লৈরম্লবা মতুংদা নোংলৈ নুংশিৎ মেথীয়ু হৌজিকসু অদুম খুদোং-থীনিংঙাই ওইবা কেটগোরি ৪ গী হরিকেনগী চাংদা শোন্থখ্রে।

মদু কুমজা ২০০৭ কী হরিকেন ফেলিক্সকী মতুংদা করিবিনগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা নোংলৈ নুংশিৎ ওইখি।

হৌজিক্কী ফোরকাষ্ট ত্রেকতা মেথীয়ুগী সেন্টর অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা জমাইকা লান্না শিৎপগা লোয়ননা ঈথৎ অদুদা নোং কন্না চুহনগনি। নোংলৈ নুংশিৎ অদু হাইটিদগী অৱাং পাংনা শিংখিদুনা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপগী মরক্তা সাউদর্ন অমসুং ইষ্টর্ন ক্যুবারোমদা বাহামাস পাংনা হুমখিগনি।

হরিকেন মেথীয়ু হাইটিগী কেপিটেল পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকী খা-খানোংচুপলোমদা মাইল ৩৫০ লাপ্পা মফমদা থেংনখি। জমাইকাগী কিংষ্টনগী খা-নোংচুপলোমদসু মান্নবা চাং লাপ্পা থেংনখি হায়না এন ঐচ সিনা জি এম টি ০৬০০ তা ফোঙদোকখি।



সাউদর্ন হাইটিদা হরিকেন অদুনা নোং ইঞ্চি ১৫ দগী ২৫ ফাওবা অমসুং মফম অমনিদা নোং চুবগী খ্বাইদগী ৱাংবা চাং ওইনা ইঞ্চি ৪০ ফাওবা চুগনি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইষ্টর্ন জমাইকাদা নোং ইঞ্চি ১০ দগী ২০ ফাওবা তাহল্লবা য়াই। দোমিনিকন রিপব্লিক অমসুং ইষ্টর্ন ক্যুবাদসু মান্নবা চাংদা চুহনগনি। লমদমশিং অসিগী মফম খরদা নোং চুবগী চাং ইঞ্চি ২৫ ফাওবা য়ৌগনি।

'মসিগী নোংজু অসিনা মীশি-মীনা য়াওনিংঙাই ওইবা অথুবা ঈচাউ অমসুং মদ স্লাইদশিং থোকহনবা য়াই' হায়না এন ঐচ সিনা ৱার্নিং তৌখি। মেথীয়ুগী খোজেল পুংদা মাইল ১৫০ ফাওবা কনখি। হৌজিক লৈরিবা নোং চীংগী মোদেলশিংনা মদুনা য়ু এসকী মপুং লমদা শোকহনবা য়াই হায়বা উৎখি।

'ফ্লোরিদদা হরিকেন মেথীয়ুনা করিমত্তা থোকহল্লোই হায়না লেপথোকপা ঙনমল্লি' হায়না এন ঐচ সিনা হায়খি।

জমাইকনশিংনা নোংলৈ-নুংশিৎ থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙ থাংজ নুমিৎতা তঙাই ফদবা পোৎ-চৈশিং লৈশিন্নবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা সুপরমার্কেটশিং, হার্দৱ্যের ষ্টোরশিং অমসুং গ্যাস ষ্টেসনশিংদা শাংনা লেপ্তুনা ঙাইনখি।

'মসি ফাগি তৌবা য়াবা অমা নত্তে' হায়না মিনিষ্টর ওফ লোকল গভর্ণমেন্ট এন্দ কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট দেশমন্দ মেকেঞ্জিনা ঈথৎতুদা লৈবশিংদা ৱার্নিং তৌখি।

ঐখোয়না শাংলবা মতমগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা নেচরেল দিজাষ্টরশিংগী মনুংদা অমা মায়োক্লরকপদা থৌ-ৱা শাদনা কোমথোক্লবগী মফম অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি।

# ম্যান্মারনা দ্রগ কন্ত্রোল তৌনবা অনৌবা পোলিসী পুথোক্লগনি



য়াঙ্গোন, ওক্টোবর ০২ :

ক্রাইম নমথবগী মথক্তা দ্রগকী প্রোব্লেম সোল্ব তৌনবা হোৎনবগী শরু অমা ওইনা ম্যান্মারনা দ্রগ কন্ত্রোল তৌনবগী অনৌবা পোলিসী অমা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না ওফিসল মিদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

ফার্ষ্ট ভাইস-প্রসিদেন্ট ময়িন্ট স্বেনা দ্রগকী প্রোব্লেম হেল্‌ঠ অমসুং দিভলপমেন্টগী সেক্টরশিং য়াওহন্দবা য়াদবগী তঙাই ফদবা পনখি।


টেক্নোলোজি চাউখৎলকপগা লোয়ননা ক্রিমিনেলশিংনা ক্রাইম তৌবদা, টেরর অমসুং অতৈ মীহাৎ-মীপুনগী থবকশিং চখবদা অনৌবা থবক থৌওং কয়া চখরে হায়রদুনা মহাক্না লেভেল খুদিংমক্কী পুলিস ফোর্সতা প্রোব্লেমশিং অদু সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা দিল তৌনবগী মখোয়গী এবিলিটি মখা তানা থবক তৌবা য়াগদবা মওংদা হেনগৎহন্নবা আপিল তৌখি।

মসিদসু নত্তনা মহাক্না ম্যান্মারগী পুলিস ফোর্সকী এবিলিটি ফগৎহন্দুনা ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দার্দকা চানহন্নবসু আপিল তৌখি। য়ু এন দি পি, য়ুনিসেফ, য়ু এন ও দি সি, আই সি আরসি অমসুং ও ঐচ ঐচ সি ঐচ ঈ আরগী মীৎয়েং মখাদা ৱার্ক-শোপশিংসু পাঙথোক্লি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# ব্রসেলজগী কনফরেন্সতা অফঘানিষ্টাননা লৈবাক নৌনা শেমগৎ-শাগৎনবা শেলগী তেংবাঙ নিগদৌরি

ব্রসেলজ, ওক্টোবর ০২ :

লালনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা অফঘানিষ্টানবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎনবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদগী ২০২০ ফাওবা শেলগী তেংবাঙ লৌনবা হোৎনরদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা মথং চয়োলদা ব্রসেলজদা পাঙথোক্কদবা অচৌবা কনফরেন্স অমদা মালেমগী পৱারশিংগা উনগনি হায়রি।



ওক্টোবর ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুনা তেংবাঙগী ৱাফমদগী চোকথবগী লায়নানা নারবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা তেংবাঙ পীনরক্লবা আপিল তৌগনি। সিরিয়া অমসুং ইরাককী কনফ্লিক্টশিং দিল তৌনবা হোৎনবগী মথক্তা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউগী মতুংদা থোক্লক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা মাইগ্রেসনগী ক্রাইসিস থেংনরকপগা লোয়ননা মীফম অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মীফম অদুগী হোষ্টশিং অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি অমসুং ঈয়ুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড টস্কনা লাংলিবা মীফম অদুদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরি অমসুং য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুন য়াওনা অতৈ মালেমগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াগনি।

'কনামত্তনা অফঘানিষ্টানবু অমুক হন্না য়ৈখায়-থিনগাইবা ঙম্লরোই' হায়না ঈয়ুগী সিনিয়র ওফিসল অমনা মখা তাখি। লৈবাক ৭০ অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ২৫ হেনবনা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াগনি। ৯/১১ গী এটেকশিংগী মতুংদা য়ু এসনা লুচিংদুনা অফঘানিষ্টানদা এটেক তৌখিবগী ১৫রকশুবা কুমওন নুমিৎকী হেক মাঙওইননা ইভেন্ট অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অফঘানিষ্টান্না হৌজিক ফাওবা মীশি-মীনা য়াওবা শাথিবা লালহৌ অমা চঙশিল্লিবা টালিবান অমসুং অতৈ মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগা পিছ পুরক্ক বা হোৎনবদা মাই পাক্তনা লৈরি। ব্রসেলজগী মীফম অদু কুমজা ২০১২ দা টোকিয়োদা পাঙথোকখিবা মীফম অমগী মতুং তাবদা লাক্লিবনি। টোকিয়োগী মীফম অদুদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা কুমজা ২০১৬ লোইবা ফাওবা ফন্দিং ওইনা চহীদা য়ুরো বিলিয়ন মরি পীননবগী ৱাফম য়ানখি।

ব্রসেলজকী কনফরেন্স অসি অমুকসু অফঘানিষ্টানগী মতাংদা পাঙথোকখিবা লন্দনগী কনফরেন্সকী মতুং চহী অনী লৈরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি। লন্দন কনফরেন্স অদুদা নৌনা খনখিবা অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিনা মশানা মপান তাংজবা অফঘানিষ্টান অমা শেমগৎ-শাগৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

হৌখিবা চয়োলদা কাবুলদা ঘানিনা হায়খি মদুদি, 'ব্রসেলজদা নখোয়গী গভর্ণমেন্টনা নুপী, নুপা নখোয় পুম্নমক্কী মহুৎ শিনগনি। ব্রসেলজদা মালেমনা অমুক হন্না মখোয়গী শেল-থুমগী কম্মিটমেন্টশিং নৌহৌননা লাউথোক্লরগনি।'

'ঐখোয়না ব্রসেলজবু য়াম্না লুনা লৌই। ব্রসেলজদগী হল্লক্লবা মতুংদা ঐখোয়না পুন্না থবক তৌমিন্নগনি, মসিনি মরু ওইরিবসি।'

ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা মথং চহী মরিদা পীগদবা তেংবাঙশিং লাউথোক্কনি তৌইগুম্বসুং ওফিসলশিংনা টোকিয়োদা য়ানখিবগুম্না চহীদা য়ুরো বিলিয়ন মরি পীবগী চাংদা থাজবা পীনদবা য়াই হায়রি।

# সিরিয়াগী লাল কনখৎলকপদা মরাল লৈজদবশিং শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি



বৈরুট, ওক্টোবর ০২ :

হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা সিরিয়াদা লাল লেপ্তুনা চখরকখিবগা লোয়ননা লালদা শিবা মী মশিংসু থিবা ঙম্বগী চাংদগী হেন্দোকখ্রে। লাল কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা অলেপ্পোগী ফীভম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লি। রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরিবা রেজিমগী ফোর্সশিংনা লাঙ্গৌই চন্দুনা থল্লিবা সিটি অসিদা লাংদা থুবগুম্না থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীশিংগী মশিং অঙাং ১০০,০০০ রোম য়াওনা পুন্না ৩০০,০০০ রোমনি।

অলেপ্পোদা অশোকপা অঙাংশিং লায়েংবীদে, করিগুম্বা মতমদা পেসিএন্ট কা হেন্না লৈরবা সিটি অসিগী হোস্পিটালশিংদা অশোকপা অঙাংশিং অদু করিগুম্বা মখলগী লায়েং অমত্তা পীবিদবদগী শিখিবসু তোয়না থোকই হায়রি।

ওপোজিসন্না পায়শিল্লিবা নৈবরহুদশিংদা সুপ্নগী দোক্টর ৩০ দমক লৈ। মদু মীওই ১০,০০০ খুদিংগী দোক্টর অমখক্কী চাংনি। মসি মহৌশাগী (লাল নত্তবা) মতমদা মীওই ১০০০ খুদিংগী দোক্টর অমমম থুংনখিবগা চাংদম্নবা য়াই হায়না য়ু এন চিলদ্রেন্স এজেন্সিগী মীওই অমনা হায়খি।

লৈনুংগী ষ্ট্রকচরশিং টার্গেট তৌনবা দিজাইন তৌবা বঙ্কর থুগাইবা বোমশিং পাক শন্না শিজিন্নরক্লি। অসিগুম্বা বোমশিং শিজিন্নবগী পান্দমদি দিষ্ট্রিক্টশিং অদুবু ঙাক শেল্লিবা রেবেল ফাইটর লিশিং কয়ানা চঙজফম লৌরিবা লৈনুংদা লৈবা টন্নেলশিং নৎত্রগা বঙ্করশিংবু তকখাইনবা ওইরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মপাঙ্গল লৈরবা বোমশিং অদুনা মীচমশিংনা চঙজফম লৌরিবা লৈনুংগী সেল্টরশিংদসু অকিবা পোকহল্লি। 'বঙ্কর থুগাইনবগী বোমশিং শিজিন্নরকপা হায়বসি অঙাং অমত্তা খুদোংথীবা থোকহন্দনা থম্বা ঙম্লরোই হায়বনি' হায়না ইষ্টর্ন অলেপ্পোদা স্কুল ১৩ রন তৌরিবা সেভ দ চিলদ্রেনগী নিক ফেন্নিনা হায়খি।

# সিমোন পেরেজগী লৈরোল চনবা বোইকোট তৌবদগী ইজরেলি-আরবশিং পেন্নদ্রে

টেল অবিব, ওক্টোবর ০২ : জোইন্ট আরব লিষ্ট নেসেটকী মেম্বরশিংনা ইজরেলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সিমোন পেরেজগী লৈরোল চনবগী থৌরম বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা ইজরেলি-আরব কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্লরি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট সিমোন পেরেজগী ইরাই নুমিৎকী লৈরোল চনবগী থৌরম বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌখিবা জোইন্ট আরব লিষ্টকী নেসেটকী মেম্বরশিংদা ইজরেলি-আরাবশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরিবনি।

'ইজরেলিশিং অমসুং আরাবশিংগীদমক্তা পেরেজনা তৌখিবদুগুম্না থবক তৌগদবা অতোপ্পা মীওই লৈগনি হায়না ঐহাক্না থাজদে' হায়না লৈরোল চনবগী থৌরম অদুদা মশামক শরুক য়াখিবা ইজরেলি আরব অমনা হায়খি।

'পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমৌদ অব্বাসন ফাওবা মমিৎতগী মপি তারিবসিনা খুদিংমক ফোঙদোক্লে। অৱাবগী মশক্তি (হনীন) জোৱাবি অমসুং (এমন) ঔদেনা সেক্টর অপুম্বা রিপ্রজেন্ট তৌদে।'

হনীন জোৱাবি অমসুং এমন ঔদে অনীমক্না পেরেজগী লৈরোল চনবগী থৌরমদু বোইকোট তৌখি।

নেল জোৱাবি কৌবা হনীন জোৱাবিগী মরী-মতা অমনা মহাক্কী মরী-মতাগী এক্সনশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

'জোইন্ট আরব লিষ্টনা সিমোন পেরেজগী মেম্মরিদা অচৌবা চুমদবা অমা তৌখ্রে। মখোয়গী এক্সনশিংদু মীওইবগী থৌওং নত্তে অমসুং মখোয়না ঐখোয়বু রিপ্রজেন্ট তৌদে। মখোয়না তৌখিবশিংনা ঐহাকপু ৱাহল্লি, চমম্নহল্লি। মদু ফজবা থাগৎনিংঙাই ওইবা মতৌ নত্তে।'

জোইন্ট আরাব লিষ্টকী চেয়রমেন এমন ঔদেনা ক্রিটিসিজম অদুগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি মদুদি, ঐহাক্না লন্নাই ওইনা পেরেজগী ইমুংদা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রবসু লৈরোল চনবা অদুদি লন্নাইগী থবক নত্তে। অদু কলেক্টিভ মেম্মরি অমা শাগৎপদা মতেং পাংনবা লাংখিবনি। অদুগুম্বা মেম্মরি অদুনা আরব মাইনোরিটিগী অৱাবা খঙবীয়ু হায়বা শুকয়া য়াখিদে।



HL-B/3329/20/09-19/10

## EMPLOYMENT NEWS

### AIIMS Jodhpur Recruitment 2016 – 500 Staff Nurse Vacancies – Last Date 23 October

**AIIMS Jodhpur Recruitment 2016**

AIIMS Jodhpur invites application for the post of 500 Staff Nurse on Direct Recruitment Basis. Apply Online before 23 October 2016.

Advt. No. : Admn/Estt/09/01/2015-AIIMS.JDH

**Job Details :**
Post Name : Staff Nurse
No. of Vacancy : 500 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Jodhpur Recruitment :**
Educational Qualification : Matriculation or its equivalent from a recognized University/ Board.
Nationality : Indian
Age Limits : 18 to 30 Years

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location :** Jodhpur (Rajasthan)
**Selection Process :** The selection will be made on Written Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through Online at the time of submission of on-line application. No fee for SC/ST/PWD/Women Candidates of any community.

**How to Apply AIIMS Jodhpur Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsjodhpur.edu.in on or before 23.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 23.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://aiimsjodhpur.edu.in/Nursing_staff/PDF/Advertisement%20English%20-%20Nursing%20Staff%20Grade%20-%20II.pdf
Apply Online : http://aiimsjodhpur.edu.in/Nursing_staff/

### Central Reserve Police Force – CRPF Recruitment 2016 – 743 Constable (General Duty) & Constable (Tradesmen) Vacancies – Date of Recruitment Rally 14 to 24 October

**CRPF Recruitment 2016**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 743 Constable (General Duty) & Constable (Tradesmen) through special rally system in Districts of Bijapur, Dantewada, Sukma & Narayanpur of Chhattisgarh State. Date of Recruitment Rally 14 to 24 October 2016.

**Job Details :**
Post Name : Constable (General Duty)
No. of Vacancy : 639 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-
Post Name : Constable (Tradesmen)
No. of Vacancy : 104 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must have passed 10th / matriculation examination or its equivalent from a Board recognized by the Central or State Govt.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 28 years (as on 01.08.2016)

**Job Location :** Chhattisgarh
**Selection Process :** Selection will be made on PET/PST & Written Examination.
**How to Apply CRPF Vacancy** : Interested candidates may appear recruitment center along with prescribed application form with Two recent passport size photographs, Copies of Matriculation certificate as proof of educational qualification and date of birth & A valid "Domicile Certificate/Permanent Residential Certificate at Recruitment Rally.
**Important Dates to Remember :**
Date of Recruitment Rally : 14 to 24.10.2016 at 07:00 AM
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ATTACHMENTS/75_1/1_18650916_FA_ENG.pdf

### UPSC Recruitment 2016 – Engineering Services Examination 2017 (440 Vacancies) – Last Date 26 October

**UPSC Recruitment 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Engineering Services Examination 2017 for 440 Vacancies. Apply Online before 26 October 2016.

Advt. No. : 01/2017-ENGG.

**Job Details :**
Post Name : Engineering Services Examination 2017
No of Vacancy : 440 Posts
**Services/ Posts under the following categories :**
Civil Engineering
Mechanical Engineering
Electrical Engineering
Electronics & Telecommunication Engineering

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must have a degree in Engineering from a University OR passed Sections A and B of the Institution Examinations of the Institution of Engineers (India).
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years As on 01.07.2017

Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 26.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 26.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/ESE_2017_English_Notice.pdf
Apply Online : https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php